## প্লেন কায়বদা সাউথ অফ্রিকান ২ শিরে

দর এস সলাম, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
টেঞ্জানিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা থাংজ নুমিত্তা লাইট প্লেন অমা কায়বদা সাউথ অফ্রিকান অনী শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। সীট ৪গী স্লিং প্লেন অদু মালাৱি তম্না পাইনবগীদমক্তা যুগান্দাদগী টেঞ্জানিয়াগী এয়র স্পেসতা চঙশিল্লকখিবা মতমদা ইঞ্জিন ফেল ওইবগা মরী লৈননা দিষ্ট্রেস সিগনেল অমা পীরম্লবা মতুংদা রাদরদগী উবা ফংখিদবনি হায়না টাঞ্জানিয়া সিভিল এভিএসেন ওথোরিটিনা ফোঙদোকখি।

## হি ৩ লাকপদা ২৫ শিরে

মানিলা, ওগষ্ট ০৪ : ফিলিপিন্সতা নোং চীংগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবনা মরম ওইরগা সমুদ্রদা হি ৩ লাকশিনখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ শিরে অমসুং অতৈ ৬ না থিবা খঙখিদ্রে হায়না পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ইলোইলো সিটি অমসুং গুইমারাস প্রোভিন্সকী মরক্তা লৈরিবা ঈশিংগী শরুক্তা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা এক্সিদেন্টশিংদু থোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা অশিবা হকচাং ২৫ লৌখৎখিবনি।

# গল্ফতা নারোন্দা ফ্যুএল পুরম্বা ফোরেন ওইল টেঙ্কর অমা ইরান্না ফাজিনখ্রে



দুবাই, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
গল্ফতা অরাব ষ্টেটশিংগীদমক্তা নারোন্দা ফ্যুএল পুরম্বা ফোরেন ওইল টেঙ্কর অমা ইরানিয়ন ফোর্সশিংনা ফাজিল্লে হায়না ইরানগী ষ্টেট মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন ভেসেল অদু গল্ফতা লৈবা ইরানগী ফার্সি ইথৎ মনাক্তা থৎখিবনি হায়না ইরানগী সেমি-ওফিসল ফার্স ন্যুজ এজেন্সিকী রিপোর্টনা হায়খি। লেবননগী অল-ময়াদীন টি ভি ষ্টেসনগী রিপোর্টতা মদু যুমশকৈশা নুমিত্তা ফাজিনখিবনি হায়না পনখি। ষ্টেট টেলিভিজন্না ইস্লামিক রেভোল্যুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সী)গী কম্মান্দর রামেঝান ঝিরাহিগী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, পর্সিয়ন গল্ফতা অরাব লৈবাক খরগী ফ্যুএল লিটর ৭০০,০০০ লোন্না পুরম্বা ফোরেন ওইল টেঙ্কর অমা আই আর জি সীগী নেভেল ফোর্সেসনা ফাখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা নেসলিটিশিংগী ওইবা ক্রু মেম্বর ৭ সু ফাজিল্লে। ওইল টেঙ্কর অদুবু ফাজিল্লিবদু ইরানগী জুদিসরি ওথোরিটিজশিংগা তান্নরগা মখোয়গী ওর্দর মতুং ইন্ননি হায়না ফার্সনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

ইরান্দা থল্লিবা শেল-থুমগী অথিংবশিং কোমথোকপগী ফিভমদা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম কন্ত্রোল তৌনবগী পাণ দমদা য়ানখিবা ইন্টরনেসনল এগ্রীমেন্ট অমদগী হৌখিবা চহীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুংদা ইরান অমসুং নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা উংখৎনরকখিবনি। হৌখিবা জুলাইদা বৃটিশ ফোর্সশিংনা গিব্রাল্টর মনাক্তা ইরানগী ওইল টেঙ্কর অমা সিরিয়াদা থল্লিবা অথিংবশিং থুগায়রম্বগী মরাল শীবগা লোয়ননা ফাজিনখি। অদুগী মতুংদা ইরান্না বৃটিশ টেঙ্কর অমা মরিন ভাইওলেসন্সকী মরালদা ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝদা ফাজিনখি।

থৌদোক অদুদা অনীশুবা ভেসেল অমদি ৱার্নিং পীরগা থাদোকখিবনি। ষ্ট্রেট ওফ হোর্মুঝদা ষ্টৈনা ইম্পেরো ফাজিল্লিবদু ইলিগেল ওই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা রেভোল্যুসনরি গার্দশিংনা ফাজিনখিবা বৃটিশ ফিরাল থেৎপা ভেসেল অসিগা এক্সচেঞ্জ তৌনবগী ফিভমদা গিব্রাল্টর মনাক্তগী ফাখিবা ইরানিয়ন টেঙ্কর থাদোকপগী ৱাফম বৃটেন্না রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

# যু এসকী ওহাইও ষ্টেটতা গনমেন অমনা মীওই ৯ হাৎখ্রে, মশাসু পুলিসনা হাৎখ্রে



দেটন, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
পুং ২৪ ফাদবা মতমগী মনুংদা যু এসতা নোংমৈ কাপ্তুনা পাক্তক্লনা মী হাৎপগী অনীশুবা থৌদোক ওইনা ওহাইও ষ্টেটতা গনমেন অমনা মীওই ৯ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে অমদি মহাকসু পুলিসকী ওপরেসন্দা শিখ্রে হায়না পুলিস ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা দেটন পুলিসনা ট্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা, নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা মীয়াম্না পাম্নরবা নাইট ক্লব অমদা গনমেন অমনা অউ-অউবা মীওইশিংদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওং অমা চত্থরকখিবদা মনাক্তা লৈবা ওফিসরশিংনা ফিভম অদু য়াম্না থুনা লাকশিনবা ঙমখি। এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৬ অশোক-অপন নংখি।

ওহাইওগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসি টেক্সাস ষ্টেটকী এল পাসোদা লৈবা মী চিল্লবা সোপ্পিং এরিয়া অমদা নহা ওইরিবা সেমি-ওটোমেটিক রাইফল পায়বা মীওই অমনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ২০ শিবগা লোয়ননা অতৈ ২০ হেন্না শোকহনখিবা মতুং পুং খরখক কান্নরগা থোক্লকখিবনি।

# মীওই লিশিং কয়ানা হোং কোংদা প্রোটেষ্ট মখা চত্থবা হৌখ্রে, বৈজিংনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই হায়খ্রে



হোং কোং, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিসগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবা নোংমা খন্নরবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা হোং কোংগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা পুনখিবগা লোয়ননা এসিয়ন ফাইনান্সিএল হব অদুদা উবা ফংলিবা ভাইওলেন্সকী ফিভম বৈজিংনা মখা তানা তুমিন্না য়েংদুনা লুশিলহল্লোই হায়না চাইনাগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ফোঙদোকখ্রে।

ক্রাইমদা চেন্নবগী মরাল শীরবা মীওইশিংবু মেনলেন্দ চাইনাদা ৱায়েল মায়োক্লনবা থাবা য়াহনগদৌরিবা বিল অমগী মায়োক্তা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌবদগী চাইনানা কন্ত্রোল তৌবা সিটি অসিদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফিভম অমা থা কয়ামরুম লৈরকখিবনি।

প্রোটেষ্টরশিংনা সিটি অদুগী থবক থৌরম পুম্বা নুমিৎ অমা মপুং ফানা লেপহন্নবগীদমক নিংথৌকাবা নুমিত্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোক্লবসু হোৎনরিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা পুলিসগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, লোনা য়াদবা মওংদা পুনবা অমদি এসোল্ট য়াওনা অহিংগী মতমদা ক্রিমিনেল ওফেন্স কয়া চত্থবগী মরালদা মীওই ২০ হেন্না পুলিসনা ফারে।

থাংজ নুমিত্তা সিটি অদুগী কাওলুন এরিয়াদা অমুবা ফিজোল শেৎপা এক্তিভিষ্টশিং তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা ট্যির গ্যাস রাওন্দ কয়ামরুম কাপখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা দেমোনষ্ট্রেটর লিশিং কয়ানা অনৌবা টেরিটরিজকী স্যুং ক্বান ও টাউন্দা ঈংনা তপ্না খোঙচৎ চৎখি।

অমুবা ফিজোল শেৎপা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা খোঞ্জেল হৌনা স্লোগান কয়া লাউবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোং কোংগী মফম শিনবা থুংনা মাস ষ্ট্রাইক চত্থরগনি হায়না লাউখি। এক্সট্রাদিসন বিলগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদু হেন্না চাওথোরক্তুনা প্রোটেষ্টরশিংনা হৌজিক্তি সিটি অদুদা দিমোক্রেসি মপুং ফানা লৈহন্নবা অমদি চীফ এগজিক্যুটিভ কেরি লাম মফম থাদোক্না দিমান্দ তৌরি।

# ইস্লামাবাদতা ইশ্যু কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নরগনি

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
অফঘান পিছ প্রোসের্স খুমাঙ চাওশিল্লকখিবগা ইরোইননা পাকিস্থানগী ওফিসলশিংগা ৱারী শান্ননবগীদমক্তা যু এস দেলিগেসন অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা থুংলরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অসিনা মখা তারদুনা করিগুম্বা মখোয়গী খোঙচৎ অদু মায় পাকপা তারবদি মখা তারকপা ওইনা লমদম অসিদা যু এস প্রদিদেণ্টনা খোঙচৎ অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাশিংটনদা দিপ্লোমেটিক সোর্সশিংনা দোন ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা, যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী সাউথ এন্দ সেন্ট্রেল এসিয়াগী পোইণ্ট-পর্সন অলিস ৱেলসু দেলিগেসন অদুদা য়াওরক্কনি।

খোঙচৎ অসি প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না ৱাশিংটনদা খোঙচৎ অমা চত্তুনা জুলাই ২৮ দা হ্বাইট হাউসতা প্রসিদেন্ট ট্রম্পগা উনবগা লোয়ননা হৌখিবা যু এস-পাকিস্থান কন্সল্টেসন্সকী মতুং তারকপনি হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা হৌজিক দোহাদা ৱারী শান্নরিবা অসিনা যু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা য়ানবা অমা পুরকপা তারবদি প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা দিল অদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা সেপ্তেম্বরদা অফঘানিষ্টান্দা খোঙচৎ অমা চৎকনি। করিগুম্বা ট্রম্পনা অফঘানিষ্টান্দা চৎপা তারবদি পাকিস্থান্না মহাকপু ইস্লামাবাদতা পুনবা হোৎনদুনা ইস্লামাবাদ অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা লৈনরিবা মরী খোঙজেল থুনা ফগৎলক্লি হায়বসি উৎনবা হোৎনরকপসু য়াই হায়রি।

মতম অমদা মীচং ওইনবগী অচেৎপা মরী লৈনরল্লবসু কুমজা ২০১১গী মেদা অমেরিকান ইন্টলিজেন্সনা অল-কায়দাগী লুচিংবা ওস্মা বিন লাদেন পাকিস্থানগী অবেবোতাবোদতা লৈরে হায়বা খঙলকখিবগা লোয়ননা যু এস নেভি সিলস টিম অমনা মহাকপু হাৎখিবদগী যু এস অমসুং পাকিস্থানগী মরী শোকচিল্লকখিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চহীদা পাকিস্থান্না টালিবান্দা ৱাশিংটনগা হকথেংননা ৱারী শান্ননবা তকশিনবদগী লৈবাক অনীগী মরী ফগৎলকপা হৌখি।



# সীজফয়ার চৎনবগী পাউ ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা তরাম্না ওকখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
সিরিয়াগী অরোইবা রেবেলশিংগী ষ্ট্রোংহোল ওইরিবা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা সীজফয়ার অমা চৎনহনখিবগী খোঙথাং তরাম্না ওকই হায়না যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা মীচমশিংদা এটেক তৌবা লেপ্পবসু তকশিনখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা সিরিয়ন মিদিয়া রিপোর্টশিংনা রেবেল ফাইটরশিংনা মমাংগী চহীদা রসিয়া অমসুং টর্কিনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা খুৎ থোক্লবা লেপ্পগী এগ্রীমেন্ট অমগী টর্মশিং ইকাই খুম্নরিবমখৈ লমদম অদুদা সীজফয়ার লৈগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা এপ্রিলগী অথেংবা শরুক্তদগী নোর্থ ৱেষ্ট সিরিয়াদা থোকখিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়াদা মীচম ৪০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মীচম ৪৪০,০০০ হেনবনা টর্কিস বোর্দররোমদা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবনি। সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট অসি মিলিটরি পাম্বৈনা লৈখায় তাবা ঙম্লোই হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা থাজে অমসুং অমত্তা ঙাইরবা পোলিটিকেল সোল্যুসনদি সিরিয়ন খুদিংমক্কী তুংগী পুন্সিদা ষ্টেবল অমসুং সিক্যুর ওইবা ফিভম অমা লৈহনবনা ওইগনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কন্সটিট্যুস্নেল রিফোর্ম অমসুং যু এন্না সুপর্ভাইজ তৌবা ইলেক্সনশিং য়াওনা জিনিভাদা যু এন্না লুচিংদুনা পুথোকপা পোলিটিকেল প্রোসের্সনা চৎনবা য়াবা অমত্তা ঙাইরবা পোলিটিকেল সোল্যুসন পুরক্লবগী লম্বী ওইগনি হায়নসু ঐখোয়না মখা তানা থাজে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

সিরিয়াগী কনফ্লিক্ট অদুবু তুং কোইনা অমদি মরা তপ্না ফিভমদা পোলিটিকেল এক্টরশিং য়াওনা ৱারোইশিন পুরক্কদবা মওংদা সিরিয়নশিংগী ওইবা পোলিটিকেল প্রোসের্স অমা লাকহন্নবা যু এনগী স্পেসল এনভোই গ্যের পেদরসন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পায়খৎলিবা থবক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু শৌগৎকনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মখা তাখি।

ইদিলিব প্রোভিন্স অমসুং য়ুমথংনরিবা হমাগী মফম খরসু য়াওরিবা লমদম অদু প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী মায়োক্তা খুৎলায় পায়দুনা লাল হৌরিবা ওপোজিসনগী অরোইবা মরু ওইবা ষ্ট্রেংহোলগী শরুক অমনি। রেবেলশিংনা কন্ত্রোল তৌরিবা সিরিয়াগী মফম খুদিংমক অমুক হন্না পায়শিনগনি হায়না প্রসিদেন্ট অল-অসাদনা চেৎনা ফোঙদোকখ্রবনি।

টর্কি অমসুং রসিয়ানা কুমজা ২০১৮গী সেপ্তেম্বরদা য়ানখিবা সীজফয়ার অমুক হন্না চৎনহন্নবা লৈবাক অনীনা হোৎনখিবা থৌওংবুসু ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# যু এসনা এসিয়া-পেসিফিক্তা মিসাইল থুনা দিপ্লোই তৌগদৌরি

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
এসিয়া-পেসিফিক লমদমগী মীচংশিংনা ৱাশিংটন্দা থল্লিবা থাজবা হেনগৎহন্নবগীদমক্তা মথং থা খরগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লমদম অসিদা ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ মিসাইল সিষ্টেম দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম খন্নরি হায়না যু এস দিফেন্স সেক্রেটরি মার্ক ঈস্পরনা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা কেপেবিলিটি অমা ঙন্না দিপ্লোই তৌহৌবনা থেংনা তৌবদগী ফগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মহাক্কী ইন্টরনেসনল টুর অমদা লোইনরিবা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ঈস্পরনা ফোঙদোকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা মহাক্না লৈবাক অসিগী ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নবগা লোয়ননা যু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগসু পুন্দুনা ৱা তান্নগনি। হৌখিবা জুলাই ২৩ দা যু এসগী অনৌবা দিফেন্স সেক্রেটরি ওইনা থবক হৌখিবা ঈস্পরনা মিসাইল সিষ্টেম অদু করম করম্বা মফমশিংদা দিপ্লোই তৌগদগে হায়বগী মতাংদা পাউখুম পীযু য়াখিদে। মহাক্না শুপ্নগী থা খরখক্কী মনুংদা মিসাইল সিষ্টেম অদু এসিয়া-পেসিফিকী মফমশিংদা দিপ্লোই তৌবা পাম্মী হায়খি।

এসিয়া-পেসিফিক্তা খুৎলায় লমজেল অমা তৌবগী ৱাফম্বু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঈস্পরনা হায়খি মদুদি, লমদম অসিদা অসিগুম্বা খুৎলায় লমজেলগী ফিভম অমত্তা লৈতে। যু এসকী মায়কৈদগী দিফেন্স কেপেবিলিটিগী ফিভম অমা শাগৎনগীদমক্তা তঙাই ফদবা খোঙথাং খরা লৌখৎপদনি। খোঙথাং অসি য়ুরোপিয়ন থিঠটর অমদি লমদম অসিগী থিঠটর অনীমক্কী ওইনা তঙাইফদবনি।

অমেরিকানশিংনা লমদম অসিদা পীখিবা থাজবা ঙাক্লবগীদমক অমদি ঐখোয়গী মীচংশিং অমদি পার্টনরশিংগী থাজবা হেনগৎহন্নবগীদমক মহাক্না এসিয়াবু মহাক্কী অহানবা মালেমগী খোঙচৎকী খোঙথাফম ওইনা খল্লিবনি হায়নসু দিফেন্স সেক্রেটরি ঈস্পরনা ফোঙদোকখি।

কোল ৱারগী মতমদা যু এসনা সোভিয়েট য়ুনিয়নগা খুৎয়েক পীনখিবা ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস ট্রিটি (আই এন এফ) তগী ৱাশিংটন্না ৱিথদ্রো তৌখিবা মতুং নোংমখক কান্নরগা পেন্টাগোনগী চীফনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি। বৈজিংনা সাউথ চাইনা সীদা সোর্ভরেন্টি ক্লেম তৌবগী থৌওং অমা কন্না চত্থরকপগীদসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবনি হায়নসু থাজনরি।



# বাংলাদেশকী ঈশিং ঈচাওদা মীওই ১০৮ শিখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
কুমগী নোং কন্না চুরকপা অমসুং ইন্দিয়াগী বোর্দর লমশিংদা লৈবা চীংগী শরুকশিংদগী ঈশিং লেপ্তুনা হাজিল্লকখিবনা মরম ওইদুনা পাক্তক্না ঈচাও থোক্লকখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশদা য়ামদ্রবা মীওই ১০৮ গী পুন্সি লোমখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা দিজাষ্টর ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশকী নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স কোওর্দিনেসন সেন্টর (এন দি আর সী সী)গী সিনিয়রল ওফিসল অদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীওই ১০৮ শিখ্রে অমদি লৈবাক অসিগী পাক চাওরবা মফম কয়াদা য়ুম-কৈ কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে, মহৈ-মরোংশিং মাঙ তাকখ্রে, হায়ৱেশিং য়াওনা লম্বী কয়াসু অমাঙ-অতা থোকখ্রে।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসল অদুদা এন দি আর সীসীগী নুংতিগী ওইবা ঈচাওগী ফিভমগা মরী লৈনবা রিপোর্ট পল্লদুনা হায়খি মদুদি, শিখিবা মীওই অয়াম্বা ঈশিংদা ইরাক্লখিবা ঙাক্তনি। তৌইগুম্বসুং মীওই খরদি ঈচাও থোক্লবা মফমশিংদা হি লাকপদা শিখি।

হৌখিবা থাগী অহানবা চয়োলদগী লৈবাক অদুদা ঈশিং ঈচাওনা য়ামদ্রবা মীওই মিলিয়ন ৬ অৱাবা নংহনখিবগা লোয়ননা ইমুং লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে। রিপোর্ট খরা পল্লদুনা মহাক্না দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা তুরেল কয়া ঈশিংগী ঈমায় হন্থরকপগা লোয়ননা ঈচাওগী ফিভম ফগৎলকপা হৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

বাংলাদেশগী প্রাইম মিনিষ্টর সৈইখ হসিনানা ওফিসলশিংদা ঈচাওগী ফিভম লাকশিন্নবা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈননবা আপিল তৌখিবনি।

# রসিয়ন পুলিসনা ওপোজিসনগী মীওই ৮০০ হেন্না ফাজিনখ্রে



মোস্কো, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সি) :
ওথোরিটিশিংনা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকপদা অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা মীখল ফ্রী ওইনা পাঙথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরদুনা থাংজ নুমিত্তা মোস্কোদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমদা শরুক য়াখিবা মীওই ৮০০ হেন্না রসিয়ন পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নদুনা ফাজিনখ্রে হায়রি।

প্রোটেষ্ট অদুদা রসিয়ন পুলিসনা ফাজিনখিবা ওপোজিসনগী মীওইশিং অদুগী মনুংদা শক্লাইরবা এক্তিভিষ্ট লিয়ুবোভ সোবোলসু য়াওখি। জেলদা থল্লিবা ওপোজিসন পোলিটিসন অলেক্সি নভালনিগী মীচং অমা ওইরিবা সোবোলবু পুলিসনা টেক্সি অমদগী চিংথোক্লগা ভান অমদা লংশিনখি।

মদুগী মতুংদা এন্টি-ক্রেম্লিন এক্তিভিষ্টশিংনা মখোয়গী কেন্দিদেটশিংবু মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা য়াওহন্দবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎলদুনা ঈংনা চিক্না খোঙচৎ অমা চৎখি। নভালনিদা পীবা অতোপ্পা চৈথেং অমদা রসিয়ন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা রুবল বিলিয়ন অমগী লোন্দরিংদা চেন্নরম্বগী মরালদা মহাক্কী এন্টি-করপসন ফাউন্দেসনগী মায়োক্তা ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থবসু হৌখ্রে।

নভালনি অমসুং মহাক্কী মীচংশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়রিবদি গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা চত্থরম্বা অরানবা থৌওংশিংগী মতাংদা থিজিনখিবগী রিপোর্ট খরা ফোঙখিবা ফাউন্দেসন অসিগী ফন্দশিং ট্রান্সপরেন্ট ওইবা মওংদা পব্লিক দোনেসনশিংগী খুৎথাংদা ফোঙলকখিবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট মোনিটরিং গ্রুপ অমগী মতুং ইন্না পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা মোস্কোদা মীওই ৮২৮ ফাখি।